৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

ক্লাসানা অমোফাবু পাঞ্জল ৫-৩দা, নাকোনা ৰাই পি ঐচ য়ুবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা ৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ক্লাসা কৈনৌনা অমোফা মোইরাংবু পাঞ্জল ৫-৩দা, নাকো নম্বুল মপালনা ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুং মখোংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ক্লাসা কৈনৌ অমসুং অমোফা মোইরাং লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা ক্লাসা কৈনৌ অমসুং অমোফা মোইরাং লম্বা চানা শান্নরকখি। মেচ অদুদা টিম অনীনা অমনা অমবু হেনজিন্নবা ঙম্নদনা শান্নরকখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ্তা মখা তানা টিম অনীনা একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা অকনবা মওংদা তক্কদুনা লম্বা তৌনরকখি। অদুবু টিম অনীমক্কী দিফেন্স লাইন য়াম্না লিংনা লৈনখিবনা মেচ অদু লোইবা ফাওবপা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদবদগী পেনালটি কাওনখি।

টিম অনীগী শান্নরোয় ৫/৫না কাওনখিবা পেনালটি অদুদা ক্লাসা কৈনৌগী মায়কৈদগী ঙৌবা জর্সিনম্বর ২, বোনি জর্সি নম্বর ১৯, লুঙৌলেন জর্সিনম্বর ২৩, জোনি জর্সিনম্বর ১৭, নবচন্দ্র জর্সিনম্বর ১০না পাঞ্জল অমমম চনখি। অমোফা মোইরাংগী মায়কৈদগী সাইলেশ জর্সি নম্বর ৭, সামসন জর্সি নম্বর ২৫, প্রিয়োকুমার জর্সিনম্বর ৩না চনখি। মেচ অসিদা ক্লাসা কৈনৌনা অমোফা মোইরাংবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অসিগী মেচ কম্মিস্নর এস জেমসকুমার, রেফরি এসেসর আই জয়কুমার, রেফরি এস ওনিল, এসিস্টেন্ট রেফরি ৰান, টি ঐচ কনজিৎ, এসিস্টেন্ট রেফরি এল গোকুলচন্দ্রনা ফোর্থ ওফিসল, এল অজিৎ হায়রিবা মেচ ওফিসলশিংগী মখাদা শান্নখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুং মখোং অমসুং নাকো - নম্বুল মপাল লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌরকপগা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবদা টিম অনীনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা নাকো নম্বুল মপালনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা শান্নরকখি। হাফ অসিগী ইকুইকুইদনা শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা নাকো নম্বুল মপালগী শান্নরোয় টি ঐচ ভান্দোনা জর্সি নম্বর ৯না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুং মখোঙগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু নাকোগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী হোৎনজমল মহয়য়ানখিদে। মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা ৰাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুং মখোঙগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী নাকো নম্বুল মপালনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। মেচ অসিগী কম্মিস্নর এল তরুনকুমার, রেফরি এসেসরনা সী ঐচ কৈলানি চনু, রেফরি এস ঐচ সুরেশ, এসিস্টেন্ট রেফরি ৰান এল রোজিৎ, এসিস্টেন্ট রেফরি টু পি দেবানন্দ, ফোর্থ ওফিসল ওইনা এস ঐচ ইবোমচা শর্ম্মনা কন্দক্ট তৌখি।

৬২শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ আই এম খাবম লমখাই অমসুং এ এফসী থৌবাল অথোকপমনা অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে পি এফ সী খা পোৎশংবম বিষ্ণুপুর অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈনা নুংথিল পুং ২.১৫ তাবা মতমদা শান্নরগনি হায়রি।

চকপী য়ুনাইটেদ কপ

সী ৰাই সীনা এল পি এন এম টি এফ সীবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএনএস): চকপী য়ুনাইটেদ কম্মিটিনা শীন্দুনা চকপী কারোং গ্রাউন্দদা চথরকপা চকপী য়ুনাইটেদ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা সী ৰাই সীনা এল পি এন এম টি এফ সীবু পাঞ্জল ৫-২দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চকপী য়ুনাইটেদ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা সী ৰাই সী অমসুং এল পি এন এম টি এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা সী ৰাই সীগী শান্নরোয় জোন জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ১৬শুবা মিনটতা এল পি এন এম টি এফ সীগী শান্নরোয় দৌগিন জর্সি নম্বর ১৬না পাঞ্জল অদু ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১দা লৈহনখি।

মেচকী ২৬শুবা মিনটতা সী ৰাই সীগী শান্নরোয় জোননা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা এল পি এন এম টি এফ সীগী শান্নরোয় দৌগিনসু মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ২-২দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা সী ৰাই সীনা বোল হেন্না পায়দুনা পাঞ্জল মথং-মথং চনশিল্লকখি। পাঞ্জলশিং অদু মাইকেল জর্সি নম্বর ১৮, জোন জর্সি নম্বর ৩ অমদি নিংফাহমান জর্সি নম্বর ১১না মথংশিংনা মেচকী ৪৮শুবা, ৫০শুবা অমদি ৫৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চন্দুনা ৫-২দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এল পি এন এম টি এফ সীনা শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনরবসু সী ৰাই সীগী দিফেন্স লাইন অদুনমখায়বা ঙমদবনা মেচ অদু সী ৰাই সীনা পাঞ্জল ৫-২দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ স্কোরর সী ৰাই সীগী নিংফাম, বেষ্ট প্লেয়রনা এন পি এন এম টিগী বুংপেম অমদি বেষ্ট গোলকিপরনা সী ৰাই সীগী ফানতোঙামনা তাখি।

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং পময়াল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি হৌদোকখিবগা লোয়নননা অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা সোসল ৰার্কর কোংগ্রেসপু পাঞ্জল ৩-০দা, পময়ালনা রুরেল এরিয়া ফুটবোল একাদেমিবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১০না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা গ্রাউন্দদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং সোসল ৰার্কর কোংগ্রেস লম্বা তৌনখি।

অহানবা হাফ হেক হৌবগা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ঈ এস য়ুগী শান্নরোয় এল নাওথোই জর্সি নম্বর ১৮না একাউন্ট হাংখি। মখা তানা মেচকী ২২শুবা মিনটতা টিমমেট জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-০দা লৈখি। মিনট ২ কান্নরগা মেচকী ২৪শুবা মিনটতা থামসোল তোংসিন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৩-০দা লৈহল্লগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক অকনবা মওংদা শান্নরকখি। এস দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী একাউন্ট হাংবা ঙম্নবা লৈজবী থৌনা ফুদোক্নুনা শান্নরকখি। অদুবু ঈ এস য়ুগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা মখোয়গী হোৎনজমল অরেম্বা তাদুনা মেচ অদু এস দল্লিয়ু সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা পময়াল অমসুং রুরেল এরিয়া ফুটবোল একাদেমি লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা পময়ালনা রুরেল এরিয়া ফুটবোল একাদেমিবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

পময়ালগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু কে ঐচ মনিমতুম জর্সি নম্বর ৪, পি ঐচ রোষ্টম জর্সি নম্বর ১০, এম মাইকেল জর্সি নম্বর ১১, মোনিকা কে জর্সি নম্বর ৮না চনখি। অদুগা রুরেল এরিয়া ফুটবোল একাদেমিগী মায়কৈদগীনা এল রোনাল্ডো জর্সি নম্বর ৯না চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অসিগী মেচ কম্মিস্নর এল তরুনকুমার, রেফরি কে অজিৎকুমার, এসিস্টেন্ট রেফরি ১ ৰাইইঙোবী, এসিস্টেন্ট রেফরি ২ এস লিতানবালা অমদি ফোর্থ ওফিসল ওইনা ঈ দেবলানা কন্দক্ট তৌখি।

৩১শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবদা আই এফ সী অমসুং আইদিএল এফ সী অদুগা অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা নেরোকা এফ সী অমসুং এফ সী লম্বা তৌনগনি হায়রি।

কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন

এস এস সী সেক্তানা এফ সী ইম্ফাল সিটিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা থম্বালখোং ৰাই দল্লিয়ু সী প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস এস সী সেক্তানা এফ সী ইম্ফাল সিটিবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা কোইজম মাধোপ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ গী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি এস এস সী সেক্তা অমসুং এফ সী ইম্ফাল সিটি লম্বা তৌনখি। মেচ হেক হৌরকপগা টিম অনীমক য়াম্না ফজনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা এস এস সী সেক্তাগী শান্নরোয় এস ভিম জর্সি নম্বর ৮না একাউন্ট হাংদুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এফ সী ইম্ফাল সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরকখি। অদুবু এস এস সী সেক্তাগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা হাইজিনবা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস এস সী সেক্তাগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এম বিগ্যানন্দ জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু ২-০দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মিনট অমা কান্নরগা মেচকী ৬৫শুবা মিনটতা অহানবা হাফতা পাঞ্জল চনখিবা এস ভিম জর্সি নম্বর ৮না মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৩-০দা অমুক লৈহনখি।

পাঞ্জল অহুম শোথরিবা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়নননা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। অদুবু এস এস সী সেক্তাগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা হাইজিনবা ঙমখিদে।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এফ সী ইম্ফাল সিটিনা শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু ঙমদবদগী মেচ অদু এস এস সী সেক্তানা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখি।

ঙসিগী মেচ অসিদা মেচ কম্মিস্নর কে মোসেস সারেদ, রেফরি এল রাজা, এসিস্টেন্ট রেফরি ১ টি প্রেমজিৎ, এসিস্টেন্ট রেফরি ২ ৰাই ইঙোবী অমদি ফোথ রেফরি ৰাই হেমন্তনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা এস দল্লিয়ু সী অমসুং য়ুদিও শান্নগনি।

২শুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০

টাজকিম এফ সী, সিঙা এফ সী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস): ৰান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা কয়ামুদ্দিন শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্নুনা টাজকিম এফ সী অমসুং এস এম এস এফ সী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্নুনা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ট্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা টাজকিম এফ সী অমসুং এম সী এ পুলৈপোকপী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টাজকিম এফ সীগী মায়কৈদগী নাসির জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এম সী এ পুলৈপোকপীগী মায়কৈদগী অলি খান জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অদু ইক্বেলাইজ তৌদুনা ১-১দা লৈহন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা টাজকিম এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকপনা মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা অনশ্বর অলম জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমা চনখি। মিনট অমা কান্নরগা অসিফ খাননা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৩ শুহনখি। মেচ অদু লোইশিল্লক্লবা ফালবদা এম সী এ পুলৈপোকপীগী মায়কৈদগী শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু টাজকিম এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস এম এস অমসুং সিঙা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২/২ চন্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল লৈতবদগী পেনালটি কাওনখি। টিম অনীগী শান্নরোয় ৪/৪না কাওনখিবা পেনালটি অদুদসু টিম অনীনা চপ মান্নবা পাঞ্জল চনবদগী ১০-১০দা লৈনখি। মেচ অদুগী ৰিন্নর খন্নবা টোস তৌবদা এস এম এস এফ সীনা মায় পাকখি।

ভুবনেশ্বরদা দিসেম্বর ১৭তগী হৌরগা ২২ ফাওবা চথগদৌরিবা য়োনেক্স সনরাইজ সব জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং

প্রধান ট্রোফি ২০২০

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস): হয়েল য়ঙ পোপ্যুলর ক্লব, হয়েলনা শীন্দুনা উচিৰা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রদান ট্রোফি ২০২০ মথং চহীগী জন্যুৰারী ৫দগী হৌরগনি হায়না হয়েল য়ঙ পোপ্যুলর ক্লব, হয়েলগী সেক্রেযরি এম মনিস্নানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ট্রোফি অসিগী ফোর্ম সবমিসননা জন্যুৰারী ২নি। গ্রুপ শেম্নবগী লোট্রিনা জন্যুৰারী ৩, এন্ত্রি ফীনা লুপা ৪১০০ ওইগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৰিন্নরদা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৭০ অমদি ট্রোফি অদুগা রন্নর্স-অপ তাবা টিমদনা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৪০ অমদি ট্রোফি পীগনি হায়রি।

পৱারলিফটিং শান্নরোয় অমসুং ওফিসলশিং খনখ্রে

COMING CHAMPIONSHIP 2020
YOU CAN'T STOP ME

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএনএস): টামিলনাদুগী সালেমদা মথং চহীগী ফেব্রুৰারীগী অনীশুবা চয়োলদগী পাঙথোক্কদবা ফেদরেসন কপ, নেসনল দেথলিফ্ট পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপ (মেন্স/ৰিমেন্স) অমদি দিল্লিদা মার্চ ১৫দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নেসনল বেঞ্চ প্রেস (চহী কাঙলূপ খুদিংমক), নোর্থ ইন্দিয়া (মেন্স এন্দ ৰিমেন্স) পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং খনখ্রে।

ফেদরেসন কপ, নেসনল দেথলিফট পৱারলিফটিংদা শরুক য়ানবা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি সেনিয়রগীদা পি সুরজ, টোনি মঙাং, এস শান্তিকুমার, প্রেমজিৎ, প্রসান্ট এম, এন তরুন, ঐচ ইরাবন্ত, টি ঐচ প্রেমোজিৎনি। অদুগা মাষ্টর ৰান্দা এন মুরগেসন খনখ্রে। ওফিসলদা টিম কোচ ওইনা টি ঐচ প্রেমোজিৎ অদুগা টিম মেনেজরদনা আর কেরাকেশনি।

নেসনল বেঞ্চ প্রেস (চহী কাঙলূক খুদিংমক), নোর্থ ইন্দিয়া (মেন্স এন্দ ৰিমেন্স) পৱারলিফটিং চেম্পিয়নশপ্তা শরুক য়ানবা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি জুনিয়র মেন্স কেটেগোরিদা কে লময়ানবা, নিখিল হুইদ্রোম, এন মালেমঙানবনি। সেনিয়র মেন্সতা এম দি রাফিজুদ্দিন, ও মোমো, এল সমরেন্দ্র, সুরজ, মাইক্রো ৰাহেংবম, টিকেন, এন জি ৰাশিংটন, টি ঐচ প্রেমোজিৎনি। অদুগা মাষ্টর টুদা এন জি কুঞ্জবিহারিনি।

ৰিমেন্স কেটেগোরিগী সেনিয়রদা শরুক য়ানবা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুনা টি ঐচ বিদ্যারানি, সী ঐচ ববিকা, ঐচ দয়ারানি, কে ঐচ সুনিতিবলা, কাঙুজম মঙানলৈমা, লাইশ্রমপুসপরানি, এন ইচলথোইবী, পি.চ নাওচা, রাজশ্রী কাঙুজম, এ মথেলন্না, এল পুশপরানি অমদি ও কলপনানি। ওফিসল ওইনা খল্লবশিং অদুনা টিম কোচতা টি ঐচ প্রেমোজিৎ, টিম মেনেজরদা কে ঐচ নিংথেম অদুগা মেনেজরদা এন রঞ্জিৎনি।

অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস): ককচীং খুনৌ ফুটবোল একাদেমি অমদি ককচীং খুনৌ মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না পূন্না ফম্মিন্নদুনা য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা থা অসিগী ১৮ অমদি ১৯দা ইন্দো বর্ম্মা শুগু রোদ বন্দ তৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফুটবোল ক্লব (এফ সী) ককচীং খুনৌগী সেক্রেটরিনা খঙহল্লক্লি।

ফেন্সিং ইলেক্সন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস): মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি দল্লিয়ু রঞ্জিৎনা লৈখিদবদা এম এফ এগী থৌমীশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখি। মহাক্না লৈখিদবা অসিগা মরী লৈননা এ জি এম (ইলেক্সন) ফেব্রুৰারী ২দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

BUSINESS LOAN AVAILABLE
(Rs. 1 Lakh to Rs. 20 Lakh) 12% P.A.

1. Grocery Shop, Electronic Shop, Gold Shop, Hotel and Fast Food Shops, Cloth Shops, Chicken and Feed Shops, Cosmetic Shop. Wholesaler Shop and any types of Business Loan available.
2. Agri & Horti items:- Fish Farmer, Mushroom Farmers, Vegetable Farmers, etc.
3. Pension Loan available:- 1%,1.5%,2%,2.5%&2.75%
4. Machinery Items (Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer, Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment, Rice Mill অসিনচিংবা।

N.B.:- Manipur গী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা Business তৌনিংবা অমসুং হান্না মপুং ফানা তৌদুনা লৈরীবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

EMPLOYMENT NEWS: OFFICE ASST.(KAKCHING, KHANGABOK, SEKMAI MOIRANG), Car Driver, SECURITY(Ex-Servicemen), Mechanic&Gr-IV, Computer Operator, Tyre Mistry & Helper(2+2).
DOFSERA At LG MOTORS BUILDING (2nd FLOOR)
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (HQ), IMPHAL
Mob : 8794748661/9383154085
Office Hour: 10:00 am - 04:00 pm.
HL-B/579/2nov. to 30 dec.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com